# অশেন্বা পুৰারীনা চীংবু তোঙান্না লৈরম্মী হায়ননবা হোৎনরকপা, পুলিস পার্সনেলশিং সস্পেন তৌরগা ইকায়বা খাঙবা

— থাংজমচা দামু খাবা —

*লমদমসিগী* মরাইবক হায়বদু ওইগদ্রা? লেপ্পা লৈতনা চৎথদুনা লাক্লিবা পোরমশিং হায়বদি মমাঙথক্তসু নাগা ইন্টিগ্রেসনগী সেনাপতিদা চৎখিবা রেল্লিগী মীফমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগা, হন্দক্কী টি আর জেলিয়াংগী ৱাফম অসিগা অদুম মান্নে হায়না লৌবা য়াই। মীঙোন্দা নপচ-তাংজা তৌরুরবনিনা লমগী ষণনা মচি শাংজিল্লকপা হায়বসিদি হৌনশানি। ৱাফম অমনা মণিপুরগী কাচা নাগাশিংগীদমক ৱাজরিবা নাগালেন্দগী লুচিংবশিংগা, নাগালেন্দদা দিপেন্দেন্ট ওইবা পামজবা, নাগালেন্দগী মীচম মীয়ামশিংনা কাচা নাগানি হায়রিবা মণিপুরগী নাগাশিংগা, মুন্না ৱাখৈনদুনা কাচা নাগাগী মিৎয়েং কোকহন্নবা হান্না হোৎনহৌবা চুম্মোইদ্রা? নৎত্রগদি মমৈদা কাঙলুপ মশেলগী লোইবা নাইদ্রবা লান থোক্লোইদ্রা?

নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা কাংপোকপী এ সিগী মনুং চনবা তুমুয়োন খুনৌগী তগারাম্পুং (য়াইকোংপাও) পব্লিক গ্রাউন্দদা হন্দকক্তা পাঙথোকখিবা নাগা ভিলেজ অথোরিটিশিংগী অহানবা কনফরেন্সতা ‘‘বৃটিশনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লিঙৈ মতমদা থোকখিবা হিষ্টোরিকেল এক্সিদেন্ট অমদা নাগা হোমলেন্দশিং অসি মণিপুর ষ্টেটতা তিনশিনখিবনি অমদি নাগাশিংনা তারিবা লম অদুগী মপু ওইবগী খুদোংচাবা অদু নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী ফংলকই লোয়ননা নাগা হোমলেন্দশিং অসি কৈদৌনুংদা মণিপুরগী নিংথৌ নৎত্রগা মহারাজগী মখাদা লৈরক্তে’’ হায়না হায়খিবা ৱাফমশিং অসি, মণিপুরগী পুৱারীবু শুকখঙ-খঙদনা মিৎয়েং অমখক্তা মণিপুরগী চীংমী ইচিন ইনাওশিংবু নম্ফুদা হুমদুনা পুনবা হোৎনবদা হেক্তা পঙহাই হায়জিনবা, শিংচেপ থাজিনবগী থৌদৌনি, মসিনা নুংশিনদবা, য়েংথিনবা হেনগৎহন্দুনা খুদোংথিবা ময়াম অমা থোক্লকপা তারগদি মদুগী থৌদাং টি আর জেলিয়াংনা পুগদবনি।

ইশাগী শুমাং শিৎতনা মীগী শুমাং শিৎলবা হায়বসি থৌদাং লৈবা লুচিংবা অশিংবা অমগী মতৌ নত্তে হায়না মীয়াম পূন্নমক্লা হায়নরিবসি তাবদা ইকায়বিবা ফাওই। মোংবগী শক্লোন ওইবা, অতোপ্পা খূৎনা খাবৈ-খরা শাদুনা মীগী ইমুং-মনুং থুগাইনবা হোৎনবা হায়বসি অচৌবা পাপ ওইগনি। শেন্বীবা মপুবু থাজজবা মগুণ লৈবা কনা অমনা অসিগুম্বা থবক তৌরোই। লোয়ননা মথক্তা পনখ্রিবা ৱাফমশিংসি অচুম্বা কৈদৌঙৈদা ওইরোই হায়বগী খুদম খরা, মতাং মতম্না খঙমীন্নবগী তাঞ্জা পীরকপনা ৱাহং খরা লৌখৎচগে।

১। মণিপুরগী চীংগী শরুকশিং অসি মৈদিংঙু লোয়ুম্বগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈরকখি হায়বসি য়েৎননিঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি। মৈদিংঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তক্তদি চীং তম অনীমক্তা লৈঙাক তৌরম্বদা নত্তনা মণিপুরগী পোলিটিকেল বাউন্দরি অসি কবো তম্পাক ফাওবা শন্দোক্তুনা নিংথৌগী লৈঙাক মখাদা কুমজা ১৮৩৪ ফাওবা লৈরম্মী হায়বসি মালেম পূম্বনা খঙনরিবা ৱাফমনি। লোয়ননা অতৈ অতৈদা য়েংলুদ্রবসু হেক্তা খঙবা য়ারবা অমনা হিষ্টোরিয়ান গাংমুমৈ কামৈগী ‘হিষ্টরি ওফ মণিপুর’ দা মৈদিংঙু খাগেম্বা মতমগী পোলিটিকেল বাউন্দরিগী চেনা হাইগৎতুনা য়েংবদা ইরায় লায়না হেক্তা খঙবা ঙমগনি। অসিগুম্বা পুৱারীগী খুদম চাংদম পীক থন্না লৈরিবা অসিদা, মণিপুরগী পোলিটিকেল বাউন্দরি মনুংদা লৈরিবা মীওই খরনা অমদি নাগালেন্দগী টি আর জেলিয়াংনা করম্না নিংথৌগী লৈঙাক মখাদা লৈরমদে হায়গদৌরিবনো?

২। লৈবাকসিগী নিংথৌগী মীচম অমা ওইনা, চীং অমসুং তমগী মীওই খুদিংমক্লা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীবগী নিংথৌদা খাজনা থীরম্মী। খাজনা থীবগী মওংদি পোৎ চৈ ওইনা নৎত্রগা থবক ওইনা শুদুনা খাজনা থীরম্মী। মীতৈশিংনা চহী ১ দা থা ৩ লৈবাক্কী ওইবা থবক শুদুনা খাজনা থীরম্মী। মসিবু লাল্লুপ কাবা হায়না খঙনরম্মী। অদুগা চীংমীশিংগীদি থবক শুবগী মহুত্তা মেরাগী ১০ নি পানবা মেরা হাওচোংবা নুমিৎখক্তদা চহীগী ওইবা খাজনা হায়বদি অকক্লবা পোৎ চৈ পুরক্তুনা নিংথৌদা পীরম্মী, অমসিবু লোইপোৎ কাবা হায়না খঙনৈ। অকুপ্পা মরোল ‘হাওচোংবা মশিন’ লাইরিক্তগী খঙগনি।

৩। নিংথৌনা চীংগী লমশিং অসিবু লৈঙাক্লম্বগী মওংদি নিংথৌগী মখাদা খুল-খুলগী খুল্লাকপা লুপ্লাকপনচিংবনা ঙাকহল্লম্মী। অদুবু করিগুম্বা খুল অমগা খুল অমগা খৎন-চৈনবা, মীশি-মীনা য়াওরক্লবদি নিংথৌনা খূৎ থিংজিন্দুনা ৱায়েন -শাসন তৌরম্মী। খুদম- তাংখুল ইতোক্লা লম্মুনচিংবা হাৎলুবগী গরিবনিৱাজ মহারাজনা চৈরোক পীনবগী তাঙ্খুল ইতোক্তা থুংলবদা, খুন্দুগী অঙম্বশিং, থোরক্তুনা খুন মুৎথৎপীগনু লাঞ্জরে হায়জবা অমদি মহারাজ চিংথংখোম্বনা ৱায়েনবদা মরাল লৈবা খুলদুনা, নবুধৌশিংগীসু ইনিংথৌ নঙগীসু ননাইনে খুরুমদুনা মরাল ঙাকপীনবা হায়জবা অসিগুম্বা তাঙ্কক কয়া কয়া লৈরিবসিবু নমহৎতুনা তোপ তোপ্পা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বগুম নিংথৌগী মখাদা করম্না লৈরক্তে হায়গদৌরিবনো?

খুদম কয়াগী মনুংদা খুদম অমা ওইরিবা, পোং নিংথৌ মচিন মনাও নিংথৌ খুভম মীকানবগী ৱাথোক্তা কুমজা ১৭৪০ দা গরিবনিৱাজ মহারাজনা ৱায়েন্দুনা ময়াম্ববু পোং নিংথৌ ওইহনখিবা অমদি মীতৈ নিংথৌগী ৱায়েল চুপ্লি মখাদা লৈরিবা কবো খারিনা লোইপোৎ কারক্তবগী মহারাজ চৌরজিৎনা তুমু লাকপা, লুপ্লাকপা, অনীবু য়োৎহ্লিং ফলাং চন্দুনা চৈরাক পীখিবা অমদি নিংথৌগী লৈঙাক্লোন মনুংদা চীং তম পূন্নমক লৈরম্মী হায়বগী খুদম লৈরিবা অসিবু হিষ্টোরিকেল এক্সিদেন্ট অমদা নাগা হোমলেনশিং অসি মণিপুর ষ্টেটতা তিনশিনখিবনি হায়বসি করম্না হায়গদৌরিবনো?

টি আর জেলিয়াংগী ৱাফম লোইদ্রিঙৈ নাকল অমরোমদা অমুক উখ্রুলগী থৌদোক্লা লৈবাক মনিল নাইহল্লি হায়বদি লৈরিবা লৈঙাক অসিগা, তোখাই তাবগী মঙলান্দা তাওরিবা চীংগী লুচিংবনি হায়বা খরগা মতম শাংনা মুক্নদুনা লাক্লবা তুংসিদা, লৈঙাক্লা ফমুং ৫০/১০০ লৈগদবা হোস্পিটাল অমা শঙ্গাগনি হায়না থৌরাং তৌরুবগী, অথিংবা কাঙবুগী মায়কৈদগী শঙ্গাবা য়ারোই হায়বগী অকনবা থ্রেটকী প্রেস নোট থোক্তুনা, প্রোটেষ্ট তৌদুনা লৈরিবা অসিগী মায়োক্তা, হেক্তা চঙশিন্দুনা শঙ্গানবা হোৎনরুবা হায়ববু ইকায় ফিরুক খুন্না থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ঈজৎ মাঙনা হল্লকপা হায়বসি, পুৱারিগী তাঙ্কক অমদা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগদবা য়াম্না ফজদবা থৌদোক অমনি। অদুক য়াম্না সেন্সিটিভ ওইরিবা মফম অদুগী গ্রাউন্দ রিয়েল্লিটি খঙদনা অমদি নিংথিনা মফম অদুগী সিচুয়েসন কন্ট্রোল তৌদনা শঙ্গাবদুখক উরগা, করিগী লায়না মায়থীবা নংহল্লিবনো। চীংদা লৈঙাক্কী চপ চাবা আইন চৎনখিদবনা তৌনীংবদা তৌদুনা লাক্লবা হঙ্গোই তুজুংলবা লমদমসিদা, মায়থীনবগী অসিগুল্লবা থৌশিল অমদি লিংজেল মতাসিনা মপি মপা লুচিংবা অমা ওইনা লৈবাক অসিগী লৈঙাক চুপলি পায়দুনা করম্না লৈবাক ঙাক্কদৌরিবনো? অমদি মতাং মতম য়েংদনা মীনুংশি চাওবা, ধর্ম্ম অবতার ওইবিগে খনবিরবদি পোলিটিক্স থাদোকপীদুনা লাইনীং লম্বীরোমদা চঙশিনবীরো মদুনা পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইরগনি হায়না সেক্সন কয়াগী মীচম মীয়ামনা মফম মফম খুদিংদা হায়না ঙাঙনরিবসি চুম্মী হায়বদা চীংনবা লৈখিগদ্রা? মীচম মীয়ামগী মত অমদি মিৎয়েংদা এনালাইসিস তৌদুনা য়েংবা তারবদি মদুগী রিজল্ট শুপচিন্না হায়জরবদা হন্দক্কী টি আর জেলিয়াংগী ৱাফমসি মণিপুর ষ্টেটকী ইন্টিগ্রিটিদা শাথিনা শোকপা ওইবনা মণিপুর লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈথোকফম থোকপরা? অমদি উখ্রুলগী য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওইবা লাইবক থীবা থৌদোক্তুসু লৈরিবা লৈঙাক অসিনা লিশাং শিৎনা চীংদা লো ইনফোর্সমেন্ট ফ্রি হেন্দ থাদুনা থল্লকপগী চপ চাবা মহয় ওইগনি হায়বদা করিবু লানখিগদগে? য়াম্না চমম্নবা অমনা লো এন্দ ওর্দর শিংথানীংঙাই ওইনা ফগৎলে হায়রিবসি করম্বা মফমদনো, করি লমদনো হায়বসি মীচম মীয়াম্না খঙনীংবা ফাওরি। ফীভম অসি য়ৌরফাও মীৎ-নাকোং পঙশিন উশিন্নদনা লৈখিবা তারিবরা হায়বসি মীচম মীয়াম্না হংনরিবা অচৌবা ৱাহং অমনি। ওইরিবা ফীভমসিগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা চপ চানা ৱাকৎতুনা মাষ্টর ব্রেন ওইরিবা অমদি মরী লৈনবা ফ্রন্টল ওর্গেনাইজেসনশিং পূন্নমক এফ আই আর চন্দুনা বুক তৌদুনা মাগী মাগী মরালগী মতুং ইন্না অকনবা চৈরাক ফংহনফম থোক্তবরা হায়বসিনি।

অরোইবদা, নাকল অনীমক্কী মুক্নরিবা ফীভমদুদা শোয়দনমক্কী করিগুম্বা খরদি থোক্লরনি খঙদুনা লৈরবা অদুগুম্বা মফমদুদা, মীচম মীয়ামশিংবু নুংশিবা লুচিংবা অমা ওইনা করিগী মফমদুদা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং দিপ্লোই তৌরিবনো অমদি করিগী সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং সস্পেন্দ তৌরিবনো হায়বসি মরু ওইনা হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি।

# ভোটরশিংদা লৈগদবা জ্ঞান

— আর কে জয়সন্না সিংহ —

*জ্ঞানশিং অদু মখাদা পীজরি মদুদি ঃ-*

১। ঐনা থাদরিবা ভোট অসি কনাগীদমক্তনো?

২। থাদরমদাই মীকুপ অদুদা ঐ করি তৌগনি?

৩। করম্বা মীরেপ (কেন্দিদেট) তা ঐগী ভোট পীগনি?

***The Knowledges are given below :-***

1. For whom I casted my Vote?
2. What will do just eve of casting my Vote?
3. To whom (Candidate) my Vote will be given?

ৱাহং ১ গী পাউখুম ঃ- ঐনা থাদরিবা ভোট অসি কনা অমক্তগী নত্তে। ঐগী পোক্লফম ইমা মণিপুরগীদমক্তনি। (ঐনা মণিপুরদা লৈবনিনা, ভোট খুদিংমক i.e. Club, Local Assns. Organisation, School, University, Panchayat, Councillor, MLA, MP) (ভোট হায়বা জাৎ অসি ঐনা লৈরিবা State or U.T. অদুগীনি)

ৱাহং ২ গী পাউখুম ঃ- থাদরমদাই মীকুপ অদুদা ঐনা লৈরিবা State or U.T., ঐগী পোক্লফম ইমাবু খুরুমগদবনি। “ইমানা ঐনা ঙসি থাদজরিবা ভোট অসি ইমা নঙগীদমক্তনিকো ইমা” হায়না থম্মোয়দা শোল্লগা ঐগী ভোটকী বট্টন অদু নমগদবনি। (মফম অদুদা ঐ পোক্ত্রবসু ঐনা তশেংনা নুংশিবা State or U.T.ওইগদবনি।

ৱাহং ৩ গী পাউখুম ঃ- ঐনা ঐগী ভোট পীগদৌরিবা মীরেপ (কেন্দিদেট) অদু গুন মঙা (মখাদা পীরিবা) অসি লৈবা/য়াওবা মীরেপ অদুদা ঐগী ভোট পীগদবনি। ঐগী অপাম্বা মীরেপ ওইগদবনি।

(ক) ইমাগী (মাদর ষ্টেট মণিপুর) অশেংবা মচা (ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন্না য়াবা)

(খ) ইমাগী অচংবা, তিঞ্জং কায়জংদবা মচা।

(গ) ইমাগী মিংচৎ পুরক্কদবা মচা।

(ঘ) ইমাগীদমক শিবা কিদবা মচা।

(ঙ) ইমাগীদমক্তা মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খুদিংমক থেংনবা ঙম্বা মচা।

Q.No.1 Ans:- I casted my Vote for my mother State Manipur or mother Country India (because Manipur is inside the jurisdiction of India) not for other (any kinds of Vote i.e. Club, Assn. Organisation, Localities, School College, University, Panchayat, Councillor, MLA, MP). All kinds of Voter is for my State or U.Ts.

Q.No.2 Ans:- Just eve of casting of my Vote I should pray to my mother State Manipur by saying these words i.e. "Mother to-day I am casting my Vote for you only not for other.

Q.No.3 Ans:- I should choose the Candidate who is having following 5 (five) Qualities, the qualities are given below:-

(a) Pure son of my mother State (agreed by the Indian Constitution) Manipur or mother U.T.

(b) The son who is high talent and desease free.

(c) The son who can bring fame of my mother State Manipur or U.T.

(d) The son who has no fear to die for the sake of my mother State Manipur or U.T.

(e) The son who can face/compete with every people of the world for my mother State Manipur or mother U.T.

গুণ মঙা অসিগী মনুংদা অহুমশুবা গুণ ‘ইমাগী মিংচৎ পুরক্কদবা মচা’ হায়বা অসিদনি মীরেপ অদুগী হৌরকপগী ৱারী নৈনগদবসি। মানা হৌরকপদা হৈনরকপা অদু ভোট কারগা শাংদোরক্কে হায়বনি। মানা হৈনরক্লিবা অদুনা শাংদোরকপদা ইমাগী মিংচৎ পুরক্কদরা য়েংগদবনি।

অদু নত্তদুনা ভোট হয়েং, হংচিংনি হায়বা মতম অদুদা লুপা ৫০০/১০০০/২০০০ দা থাদখিবা অদুনা করপসন (পৈশা) গী দিগ্রিনা ৯০° লাল্লক্লিবা অসি।

পৈশা করপসনগী দিগ্রিনা ৱাংখৎলকপা অসি ভোট অসিনসু অচৌবা মরম অমনি। ভোটরনা ভোট থাদবদা পৈশা লৌবগী হৈনবীসি থাদোক্কদবনি। অদুনা ইন্দিয়ানা লোক পাল বিল পাস তৌরক্লিবা, লোক অয়ূক্তা লিংখৎলক্লিবা, অনা হজারেনা চরা হেল্লিবা পূন্নমক অসিগী মরুদি ভোটসিননি।

ভোটরশিংনা মথক্কীশিং অসি মুন্না পাবিরগা লৌশিনবা য়াবা লৌশিনবীরগা ইশা-ইশাগী ভোট অদু পীবিয়ু, পৈশাদা চৎপীগনু। করপসন (পৈশা) গী দিগ্রি শোয়দনা নেমথরক্কনি।

মণিপুরনা মণিপুর ইমাগী, আসামনা আসাম মমাগী, বেঙ্গলনা বেঙ্গল মমাগী, মহারাষ্ট্রনা মহারাষ্ট্র মমাগী, টামিল নাদুনা টামিল নাদু মমাগী, কর্ণাটাকানা কর্ণাটাকা মমাগী অমদি অতৈশিং। ইমাশিংসিগী মচাশিংদগী ভারত ইমাগী লাক্কদবনি।

Out of above 5 (five) qualities mentioned in 3rd Quality at Column "C" i.e. "Who can bring fame of my mother State Manipur" in this quality we should see/look/the past habit of the Candidate. The past habit will continue or extend after he/she won the vote. The voters should look/thing whether it will be good for the State/Country and whether it can bring fame of my mother State.

Manipur will elect for Mother Manipur, Assam will elect for Mother Assam, Bengal will elect for mother Bengal, Maharastra will elect for mother Maharastra, Tamil Nadu will elect for mother Tamil Nadu, Karnataka will elect for mother Karnataka etc. etc. from the sons of all State/ Union Teritories pure sons of India will comes.

Instead of it, tomorrows or day after tomorrows money has come @ Rs. 500/1000/2000 from the candidate, the voter casted his/her vote according to the amount of the money, by that practice corruption (money) has crossed $90^0$ the increasing degree of corruption, vote is one big factor, please don't forget it.

Voter should leave habit of taking money during the time of casting of Vote.

ইন্দিয়ানা শেঞ্জা থুমজা থিংবা পাম্মী অদুনা লোকপাল বিল পাস তৌরক্লিবা, লোক অয়ূক্তা লিংখৎলক্লিবা, অন্না হজারেনা চরা হেল্লিবা। তৌরক্লিবশিং অসি ভোটনা মরম ওইবননি।

India like to block corruption (money) so, passes Lokpal Bill, established Lok Ayukta the same has been demanded by Ana Hazare by doing fasting unto death. All these things brought by Vote.

ঐখোয় পূন্নমক্লা খঙই পৈশাগী করপসন (শেঞ্জা থুমজা) না স্পোর্টসতা চঙশিল্লক্লে ‘মেচ ফিক্সিং’ হায়বা মিং থোল্লগা পৈশানা চঙবা ঙমদবা মফম লৈতে। পৈশানা খুদিংমক্তা চঙবা ঙম্মী করিগীনো? পৈশানা অহানবা শক্তিনি অদুগা নুপীনা অনীশুবা শক্তিনি। অনীমকসি খুদোংথিনিঙাই ওইরক্লে মালেমগী ওইনা। এক্ট/রুলসনা শেঞ্জা থুমজা থিংবা ঙম্লোই। মসি থিংগদবদি মীচম মীয়াম্না থিংগদবনি। মীচম মীয়াম ঐখোয় ৱাখল তাবা চঙই।

As awared, corruption (money) entered in Sports as Match Fixing, it will be a dangerous practice in the life of human being. Money can enter in every fields of lifes because Money is First Power and Women is Second Power, both are becoming dangerous all over the Globe. There is no any Act/Rules/Instrument/Machine to block corruption except people.

ভোটরশিংনা মথক্কী গ্যানশিং অসি ফজনা পাবিরগা ইশা ইশাগী ভোট অদু পীবিয়ু, পৈশাদা চৎপীগনু।

শেঞ্জা থুমজা হায়বা অসি পীবগা লৌবগনি। পীবা অমসুং লৌবগী ৱা খক্তনি। পীগদবা মী লৈরে, লৌগদবা মী লৈরে, মখোয় অনীগী মরক্তা কনানা শম্বল খাগনি। মীচম মীয়ামনা খাগদবনি। লৌগদবা মী লৈহল্লোইদবনি, পীগদবা মী লৈহল্লোইদবনি। মসি মীচম মীয়ামদনা খঙগদবনি। ‘ঐ’ ফৌ (অফবা মী ওইয়ু) মফম খুদিংমক ফবনি, কাউবীগনু।

All voters are requested to read the above knowledges and take valuable knowledges for applying during the time of casting your vote and please don't go on money. The degree of corruption (money) will be decreased. There is the person who want to give and there is the person who want to take, this is only question of Give and Take. Who can make a fence between the given and taker, only people will do it, People requires to aware it and people should not keep Given and Taker. Don't forget "I" be good everybody will be good.

নুপীদা চথবা মীওৎ-মীনৈ, নুপীগী ৱাথোক হেনগৎলক্লিবা অসি নুপা ফত্তবদগী থোকপনি (৭০% দগী ৮০%) অদুগা নুপী ফত্তবদগীসু থোকই (২০% দগী ৩০%) নুপী শুকয়াও য়াওদে হায়বদি য়ারোই। মসি হায় হায়দুনা নুপীশিংনা ৱারৌবীগনু।

Increasing women's crimes caused due to bad of Males (this is 70% to 80%) and due to bad of Women also here (this is at least 20% to 30%). We can not say "Women and totally not involves". There is some share of Women it might be very less share. Please don't mind by the Women folk when I said this.

**পাউজেল** - তৌহৈদবা তৌবিগনু, য়েংহৈদবা য়েংবীগনু, ঙাঙহৈদবা ঙাঙবীগনু।

**MESSAGE -** Don't do un-wanted works, Don't look to those thing if that is bad, Don't speak harmful words.

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## মণিপুরদদি নুপীনা হেন্না শুবা নোম্বা কল্লি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরদদি** নুপীনা হেন্না থবক শুবগুম্মী হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না খঞ্জে। মণিপুরদা নুপীশিংনা অয়ূক ঙন্না হৌদুনা ইমুং মনুংগী থবক ইনখাং লোয়না তৌনৈ অদুগা মতম মতমগী মতুং ইন্না মাগী মাগী থবক লেপ্পদে। লৌউ শিংউবগী থবক্তসু নুপীশিংনা মাগী মাগী য়ূমগী মথৌ লোয়রবা মতুংদা লৌবুক্তা লৌ পেংবা, নাপী মহ্থোকপা, খাওবা, য়ৈবা লোয়না তৌনৈ। অশংবা মতমদা য়ূমগী ইঙ্খোল কয়াদা এঞ্জাং নাপী থাদুনা য়ূমগী চানবা ৱাৎতনবা হোৎনৈ। নুপীশিংনা ফিশা লোনশা ময়েক নাইবা লোনবা অমদি ইন্দষ্ট্রি মচা অমদি অচৌবা কয়াদা শিন্মী ওইনসু থবক তৌনৈ। চেক্কোন্দগী চেক হোনবা, তুরেলদগী লৈঙোই পেকপা, ঙা ফাবনচিংবা শিনফম কয়াদসু নুপীশিংনা থবক শুবা লেপ্পদে। ঙসি ঙসিমকসু ওফিসকী থবক কয়া নুপীনা ঙম্না শুনরক্লে। ওফিসকী অচৌ অচৌবা ফম কয়া ফাওবা নুপীনা পুনরক্লে। ডাক্তর, এঞ্জিনিয়র অমদি উকিলদসু নুপীগী মশীং ফনা নিংথিজনা হেনগৎলক্লে। নুপী লূপ কয়ানা খুন্নাইগী থৌগল তৌনরি। নুপী মৈরা পায়বী কয়ানা লৈকায় লৈকায়, খুঙ্গং কয়া ঙাক শেল্লি। লাইরিক লাইশুগী লমদসু নুপীনা হোৎনবা কনবা হেনবগুম্না মকোক মথং তানরক্লি। ইন্দিয়াগী অমদি মণিপুরগী আই এ এস, এম পি এস, এম সি এস অমদি অতৈ কম্পিটিটিভ ইগজাম কয়াদা নুপীনা মাঙজিল থারক্লি। পূন্নমক অসিনা থবক তৌবা হায়বদি ওফিসকীবু ওইরো, খুন্নাইগীবু ওইরো, ইন্দষ্ট্রিগীবু ওইরো, লৌবুক্কীবু ওইরো অতৈ থবক কয়া তৌরবসু ইমুংগী মথৌশিংসু অদুমক নুপীনা অয়াম্বা তৌরি। মমানা ঙন্তানা বজারদা লুকমাই পানখ্রবসু চহী নৌরিবী কয়ানা চাক ঈশিং থোংবা লোয়রবা মতুং অমুক স্কুল-কোলেজ চৎনবা য়াওদবা নত্তে। মসি মণিপুরগী মীতৈ ফুরুপখক্তা নত্তনা মুসলমান অমদি চীংমী নিঙোলশিংসু অদুমক হোৎনরি। অমরোমদা, পোলিটিক্সতসু নুপীনা প্রধান, মেম্বর, ম্যুনিসিপালিটিগী কাউন্সিল্লর ওইদুনা শক্তি পায়নরি।

তৌবতদি চহী কয়াগী মমাঙদগী নিনরক্লিবা নুপীগী রিজার্ভ পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমদি রাজ্যশিংগী এম এল এগী কোটা থম্নবা রুল নৎত্রগা এক্ট অদুদি ঙসি ফাওবা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌদনা লৈরি। করিগুম্বা মদুমক্লা এক্ট ওল্লক্লবা মতম অদুদা নুপীদা মীরাইবা, নুপীবু শান্নপোৎকুম্না খন্নরিবা পূন্নমক অসি য়ারিবমখৈ মাঙহনবা ঙম্লক্কদ্রা হায়বসি তোল্লবগী আশানি। মালেমদা লৈরিবা নুপা খুদিংমক্লা নুপীশিংবু হেক পোকমিন্নবা মচন-মচে, মনে-মদোমচা, মচা-মশুগুম্না মান্নবা মিৎয়েংদা য়েংলবতদা লমদমসিদা নুপীদা চথবা ক্রাইম শোয়দনা হন্থরক্কনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদি ফাওবনা নুপীবু মশক খঙদুনা বেটি বচাও, বেটি পরাও হায়দুনা স্কিম ফাওবা পাঙথোরক্লি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

## মরোল থোকপা লাই

